# নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফমদা নুংনাংলি

মোস্কো, মার্চ ০৫ (এজেন্সী) ঃ

নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং উননা মহাক্কী লৈবাক্কী ন্যুক্লিয়র খুৎলাই পুক্কে অদু মীনা হান্না খুৎ থারক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মতম অমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা মওংদা শেম শাদুনা থম্নবা ওর্দর তৌখিবদা রশিয়ানা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মরী লৈনবা খুদিংমক্তা পুক্নিং ফাথনবা আপিল তৌখ্রে।

“ওইরক্লিবা ফীভম অদু ঐখোয়না কুপ্না য়েংশিল্লি অমসুং লমদম অদুদা লৈরিবা লৈবাকশিং অমসুং লমদম অদুগী থৌদোকশিংবু য়েংশিল্লিবা লৈবাকশিংনা ওইরক্লিবা অরুবা ফীভম অদুদা পুক্নিং ফাথনা লৈগনি হায়না থাজে” হায়না ক্রেমলিনগী স্পোক্স-মেন দমিত্রি পেসকোভনা হায়খি।

টেন্সন ৱাংখৎনরকপা মতমদা অসিগুম্বা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা হায়বসি নোর্থ কোরিয়াগী ওইনদি রুটিন ওইবা থৌওংনি, তৌইগুম্বসুং পেসকোভনা মোস্কোদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, কিমনা ইনৌ নৌনা লাউথোরক্লিবা ৱাফম অদুনা রশিয়াদা চাউনা নুংনাংবা পোকহল্লে।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অনৌবা অকনবা অথিংবা কয়া থম্ননবা য়ানখিবদুগী অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা য়াই হায়না পানরিঙৈ তাল্লক্তা কিমনা মহাক্কী লৈবাক্কী ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদশিংদু মতম অমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা ফীভমদা থম্নবা ওর্দর তৌখিবনি।

# টর্কিস পুলিসনা পাউচেগী ওফিসতা রেইদ তৌখ্রে

## টর্কিস ওথোরিটিশিংগী থৌওং মীয়াম্না প্রোটেষ্ট চৎখ্রে

অঙ্কারা, মার্চ ০৫ (এজেন্সী) ঃ

টর্কিগী খ্বাইদগী চাউবা পাউচে ‘জমান’গী ওফিসশিংদা টর্কিস পুলিসনা রেইদ তৌখ্রে। লৈবাক অদুগী কোর্ট অমনা জমানবু ষ্টেট কন্ট্রোলগী মখাদা থম্নবা ওর্দর অমা থোক্লবা মতুংদা রেইদ অদু চৎখিবনি হায়রি।

জমান পাউচে অসি য়ু এসতা বেজ তৌবা ঈথিল কয়া পীবা ঙস্বা ক্লারিক ফেথুলাহ গুলেনগী হিজমেন্ট মুভমেন টগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ হায়রি।

টর্কিস গভর্ণমেন্টনা হায়খি, হিজমেন্ট অসি প্রসিদেন্ট রেসেব টায়িপ ইর্দোগনগী গভর্ণমেন্টবু চিংথুনবা এইম তৌরিবা টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি। রেইদ অদুদা হিজমেন্টপু শৌগৎপা কয়া ফাখি।

গুলেন অসি হান্না ইর্দোগনগী মীচং অমা ওইরম্বদগী তুংদা য়ানরকখিদবনি হায়রি। অঙ্কারাদা লৈরিবা টর্কিস গভর্ণমেন্টবু জর্নেলিষ্টশিংদা তাথি-তাওইনা তৌবগীদমক্তা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কোর্টনা তাখিবা রুলিং অমদা সার্ক্যুলেসন মশিং ৬,৫০,০০০ রোম লৈরিবা জমান পাউচে অদু হৌজিক্তি এদমিনিষ্ট্রেসন-শিংগী মখাদা লৈরগনি হায়খিবনি। রুলিং অদুদা থোইদোকপা অকুপ্পা মরোলদি পীখিদে। তুংদা পাউচে




জমানবু শৌগৎপা মীওই চা কয়ানা ষ্টেটনা পাউচে অদুবু লৌশিনবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা পাউচে অদুগী ওফিসকী মপান্দা পুনখি।

মীওই অমনা “নীংতম্বা প্রেস-কীদমক্তা ঐখোয়না থেংনগনি” হায়না থাবা প্লেকার্দ পায়বা মীয়াম্না উনখি।

“ঐখোয়না ফক্লাংদা ইবা তারবসু মিদিয়াগী নীংখা তম্বদি মখা তানা লৈখিগনি খল্লি’ হায়না রেইদ অদু চৎথদ্রিঙৈ ঙাইহাক্কী মমাঙদা জমানগী এদিটর ইন-চীফ অব্দুল হামিত বিলিসিনা হায়খি।

“দিজিটেলগী মতম অসিদা মিদিয়াবু মচিন মেনবা হায়বসি ওইথোক্লোই” হায়না মহাক্না মখা তাখি। মহাক্না ৱাফম অসি কোর্টকী ওর্দর অদুনা চৈথেং পীবা অতোপ্পা ন্যুজ এজেন্সী মিহানদা ফোঙদোকখিবনি।

ত্বিটরগী ৱারোল অমদা জমানগী জর্নেলিষ্ট ইমরে সোনকাননা অসুম্না ইখি : “টর্কি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্কী অরোইবা ক্রিটিকেল খোঞ্জেলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জমান দেলিবু শুপ্পাই পায়শিনখ্রে। মসি দেমোক্রেসিবু থুপচিনবনি।”

মহাক্কী কোলিগ অব্দুল্লাহ অয়াসুননা ত্বিটরদা ইখি : “রাইওট পুলিস ময়াম অমা জমানগী ওফিসতা থোমজিল্লরে। মখোয়না ঐহাকপু ওফিসতগী ইন্থোল্লে।”

পাউচে অদুগী ৱেবসাইট অদু থাংজ নুমিৎতা ফঙ্কসন তৌখি তৌইগুম্বসুং রেইদকী পাউদি ফোঙখিদে।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱারোল অমনা ওথোরিটিশিংনা জমানবু পায়শিল্লবদু টর্কিস গভর্ণমেন্টনা পরিং নাইনা পায়খৎলকখিবা জুদিসল অমসুং লো ইনফোর্সমেন্ট এক্সনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি হায়না ফোঙদোকখি।

টর্কিগী কন্সটিট্যুসনেল কোর্টনা ষ্টেটকী অরোন অথুপশিং ফোঙদোকপগী মরাল শীদুনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা টর্কিস জর্নেলিষ্ট অমবু থাদোক্ন বা ওর্দর তৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা জমানগী ওফিসতা রেইদ চৎখবগী খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি।

টর্কিস গভর্ণমেন্টনা সিরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা ইস্লামিষ্টশিংদা খুৎশু খুলাই কয়া পীশিন্নবা হোৎনখি হায়বা পাউ অমা ইরুবগীদমক্তা পাউচে কুমহুরিয়টকী কেন দুন্দর অমসুং ইরদন গুলবু ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

জর্নেলিষ্ট অনী অসি মার্চ ২৫দা ট্রাইয়ল চৎথবা মতমদা পূন্সি চুপ্পগী মীয়াৎ ফাওবা তাহল্লবা য়াই হায়রি।

হৌখিবা চহীদা হিজমেন্ট মুভমেন টগা মরী লৈনরম্বগীদমক্তা পাউচে অনী অমসুং টেলিভিজন চেনেল অনী ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মখাদা থমখিবনি।

টর্কি অসি রিপোর্টর্জ ৱিদাউট বোর্দসকী ৱর্ল্ড প্রোব ফ্রীদম ইন্দেক্স ২০১৫দা লৈবাক ১৮০গী মনুংদা ১৪৯ শুবা রেঙ্কতা লৈ।

খূদিংমকসি ওইদুনসু টর্কিগী গভর্ণমেন্টনদি লৈবাক অদুগী জর্নেলিজম মালেমদা খ্বাইদগী ফ্রী ওইবশিংগী মনুংদা চল্লি হায়রি।

# সাউথ চাইনা সিদা য়ু এস এয়রক্রাফট কেরিয়র, দেসট্রোইয়র অতৈ ভেসেলশিং দিপ্লোই তৌখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ০৫ (এজেন্সী) ঃ

চাইনাদা মিলিটরিগী পাঙ্গল উৎশিনবা খোঙথাং অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ চাইনা সিদা এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা এস্কোর্ট সিপ কয়ামরুমগা লোয়ননা থাজিনখ্রে।

ভোইস ওফ অমেরিকানা পীবা পাউগী মতুং ইন্না জোন সি ষ্টেন্নিস এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং মতুং ইনবা দেসট্রোইয়র অনী অমসুং ক্রোসিয়র অনী হৌখিবা চয়োলগী অঙনবদা লমদম অদুদা থুংখ্রে।



য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী খুৎশেমগী ঈথৎশিংদা বৈজিংনা রাদার ফেসিলিটি কয়া থমজিনবগী থবকশিং পায়খৎলি হায়বা রিপোর্টশিংগী মতুংদা এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং অতৈ নেভিগী সিপশিং দিপ্লোই তৌবগী খোঙথাং অদু লৌখৎলক্লিবনি হায়রি। এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লখিবগী মতুং ইন্না বৈজিংনা য়েৎনরিবা লমদম অদুদা রাদার কয়া থমজিনবা অদুনা চাইনাগী মোনিটরিং কেপাসিটি শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলগনি হায়রি।

চয়োল অমগী মমাঙদা য়ু এসকী ওফিসলশিংনা হায়খি, ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা লমদম অমা ওইরিবা সাউথ চাইনা সিদা টেন্সন ৱাংনরক্লি ঙৈ তাঞ্জাদা চাইনানা পারাসেল ঈথৎশিংগী অৱাংলোমদা লৈমায়দগী নোংথক্তা কাপ্পা মিসাইলশিং দিপ্লোই তৌখ্রে।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱাশিংটনদা য়ু এস পেসিফিক কম্যান্দগী কম্যান্দর ওইরিবা য়ু এস নেভিগী এদমিরেল হেরি হেরিসনা লোমেকরশিংদা হায়খি মদুদি, রাদার ময়াম অমসুং অতৈ ইক্বিপমেন্ট ময়াম অমা ইন্সটোল তৌবনা লমদম অদুদা ঊংখৎনবা হেনগৎপগী ফীভম লাকহল্লে।

“চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা মিলিটরিগী পাঙ্গল শাগৎপগী থবকশিং ময়েক শেংনা পায়খৎলে” হায়না হেরিসনা সিনেট আর্মদ সার্বিসেস কম্মিটিদা হায়খি।

“নহাক্না ওন্ন-তৈনবা ৱাখলদা থাজগে হায়রবদি মালেম অসি অপাকপা লমনি মতুম তাদে হায়বসিদা থাজবা তাবনি” হায়না মহাক্না হায়খি।

অমরোমদা, চাইনানদি ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা লমদম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চঙশিল্লকপনা টেন্সন থোকহল্লে হায়রি।

“নহাক্না লৈরিবা পোৎশিং অসিদা মুন্না য়েংবা তারবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ চাইনা সিদা খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবা এয়রক্রাফট কেরিয়র অমসুং মিলিটরি ভেসেলশিং থাজিল্লি হায়বা খঙগনি” হায়না বৈজিংগী ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সননা হায়খি।

মালেমগী থাউ অপুম্বগী শরুক অহুম থোকপগী অমা পুথোক পুশিন তৌরিবা সাউথ চাইনা সি অপুম্বা বৈজিংনা ক্লেম তৌরিবনি। বৈজিংদা নত্তনা টাইৱাননসু ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্স য়াওনা পেসিফিক্কী অতৈ লৈবাক তরুক্নসু সাউথ চাইনা সিদা ক্লেম তৌরিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হন্দক থা খরা অসিদা য়েৎনরিবা ঈথৎ অমসুং চাইনাগী আর্টিফিস্যাল কন্সট্রক্সনশিংগী মনুংদা অমগী নোটিকেল মাইল ১২গী মনুং চনবা ঈশিংগী শরুকশিংদা ৱারসিপ কয়া থাজিনখিবনি। মহৌশাদগী লৈজরক্লবা লম অমগী অকোয়বদা মালেমনা য়ানদুনা পীরিবা টেরিটরিয়েল লিমিটতুগী মনুংদা য়ু এসনা ৱারসিপশিং থারিবদু নীংখা তম্না চৎপগী রাইট দিফেন্দ তৌনবনি হায়রিবনি।

বৈজিংনা হায়রি মদুদি, চাইনানসু রাইট টু ফ্রী পেসেজ দিফেন্দ তৌই অমসুং খুৎশেমগী ঈথৎ শাগৎলিবদু সার্চ অমসুং রেস্ক্যু ফেসিলিটিশিং য়াওনা সিভিল্যানগী হীরমশিং লোয়ননা মিলিটরিগী হীরমদসু শীজিন্ননবনি।

সি এম আই এসকী মতুং ইন্না, চাইনানা সাউথ চাইনা সিদা মরু ওইনা মিলিটরিগী হীরমশিংদা শীজিন্নবা য়ারবা পোৎশক কয়া অমা ইন্সটোল তৌরি। মখোয়গী মনুংদা রনৱে অহুম য়াওই অমসুং রনৱেশিং অদুগী অমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অমদি মিটর ৩,০০০ শাংই।

চাইনিজ ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিগা ৱারী শাননবা ৱাশিংটনদা চৎখিবনি। কেরিনা হৌখিবা চয়োলদা পাউমীশিংদা হায়খি, “মওং অমদা নৎত্রগা অমদা সাউথ চাইনা সিদা মিলিটরিগী পাঙ্গল শাগৎপগী থবকশিং হেনগৎপগী ইভিদেন্স নুমিৎ খূদিংগী থেনংরে।”

# ইন্দিয়ন কেথলিক নন অনী য়াওনা গনমেনশিংনা মীওই ১৬ হাৎখ্রে

সানা, মার্চ ০৫ (এজেন্সী) ঃ

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সাউদর্ন য়েমেনদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা মীওই কাঙবু অমনা মার্দর টেরিজানা লিংখৎখিবা চেরিটি অমনা রন তৌবা রিট্যারমেন্ট হোম অমদা এটেক তৌদুনা কেথলিক নন মরি য়াওনা মীওই ১৬ হাৎখ্রে হায়না ওফিসলশিং অমসুং ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

গনমেন অনীনা অহানবদা অদেনদা লৈবা অহল ওইরবশিংগী পোত্থাফম হোম কোইশিনখিবগা লোয়ননা কিনিঙাই ওইরবা মীহাৎপগী থবক অদু হৌখি। চৈরকসিদা, ফেসিলিটি অদুদা লৈরিবা মখোয়গী অহল ওইরবা মমাশিং উনগে হায়জিন্দুনা অতোপ্পা মীওই মরিসু বিল্ডিং অদুদা চঙলকখিবনি হায়না চেরিটিগী মীওইশিং, য়েমেনি সিক্যুরিটিগী ওফিসলশিং অমসুং ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখি। মিদিয়াদা ফোঙদোকপগী খুদোংচাবা পীদবা মরম্না ওফিসলশিং অদুনা মখোয়গী মশক মমিংদি তাকথোকখিদে।

গনমেনশিং অদুনা কা অমদগী কা অমদা মথং মথং চঙদুনা ভীক্তিমশিং অদুবু হেন্দকফ তৌরবা মতুংদা মকোক্তা নোংমৈনা কাপখি। থৌদোক অদুদা হিংহৌবগা লোয়ননা লোকলশিংনা রেস্ক্যু তৌখিবা নন অমনা অসুম্না ফোঙদোকখি, “য়েমেনি গার্দ অমনা ‘চেল্লো, চেল্লো’ হায়না লাউরকপা তাবদগী মহাক ষ্টোররুমদা লৈবা ফ্রীজ অমদা লোত্তুনা লৈবদগী থৱায় হিংহৌবনি।”

খালেদ হাইদর কৌবা মীওই অমনা এপিদা হায়খি মদুদি, মহাক্কী ময়াম্বা য়াওনা এটেক অদুদা হাৎখিবা মীওই ১৬কী হকচাংশিং মহাক্না মশিং থিহৌরে। মখোয়না লোইনমক হেন্দকফ তৌরবা মতুংদা মকোক্তা কাপখিবনি। মহাক্না হায়খি, নন মরিদুনা নত্তনা শিখিবশিংদুগী মনুংদা য়েমেনি কুক অমা অমসুং য়েমেনি গার্দশিংসু য়াওখি।

খালেদ হাইদরনা মখা তানা হায়খি, বিল্ডিং অদুদা মহাক্কী ইমুংনা ইহান-হান্না থুংলখি অমসুং মহাক্না এটেক অদুদা হিংহৌরিবা লাইনিংবী অদুগা ৱারী শানখি, নুপী অদু মশা নীকপগা লোয়ননা কপ্পমই। মহাক্কী ইমুংনা লাইনিংবী নুপী অদুবু তুংদা লোকল অদেন দিষ্ট্রিক্টকী সিক্যুরিটিগী ইন-চার্জ পায়বা সাউদর্ন ফাইটরশিংগী গ্রুপ অমদা শিন্নখি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)

BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.

FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS

Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

:-9856988840 / 9863265726
9863222153

HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)



Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/2956/13/02-12/03


# পাকিস্তানগী থৌওংদগী ঙাকথোক্নবা য়ু এসনা অফঘানিষ্টানদা লৈগনি : দোনাল্ড

ৱাশিংটন, মার্চ ০৫ (এজেন্সী) ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘানিষ্টানদা তঙাইফদনা লৈবা চঙই, মসিগী মরমদি লৈবাক অসিগা হেক য়ুমথংননা লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই লৈরবা পাকিস্টানগী থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্ন বনি হায়না রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়েল ফ্রন্টরন্নর দোল্ডান ট্রম্পনা হায়খ্রে।

“নখোয়না মতম খরা পাকিস্টানদা লৈবা চঙই হায়না ঐহাক্না খল্লি, মরমদি নখোয় ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই লৈরবা পাকিস্টানগা থংননা লৈ। ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইদু ঐখোয়না ঙাকথোকপা চঙই। ঐখোয়গী গেমদা অহোংবা লাকহল্লিবসি ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইনি” হায়না দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা রিপব্লিকান প্রসিদেন্সিয়ল দিবেট অমদা অফঘানিষ্টানগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ট্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা চহীদা ফোঙদোকখিবা অমদা ট্রম্পনা পাকিস্টানবু মালেমদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লৈবাক অমনি হায়খি। মতমদুদা ইন্টরভিয়ু অমদা ট্রম্পনা পাকিস্টানবু ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই থাদোকহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়খিবনি।

“নখোয়না ইন্দিয়াবু চেন্নহনবা তাই। পাকিস্টানবু চেক তৌগদবা লৈবাক্তি ইন্দিয়ানি” হায়না হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা রেদিওদা ৱা ঙাংবদা ট্রম্পনা হায়খি। ইরান নত্তবা মালেমদা খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা পাকিস্টাননা তং তাদবগী থৌওং অমা উথোরক্লবদি নহাক্না করি তৌগনি হায়না হংবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

“মখোয়গীসু (ইন্দিয়াগীসু) ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিং অমসুং য়াম্না মপাঙ্গল লৈবা আর্মি লৈজে। মখোয় পাকিস্টানগী থাঙ্গৈশেংবা চেকনি হায়না লৌই। অদুনা পাকিস্টানবু দিল তৌবদা ঐখোয়না ইন্দিয়াগা নকশিন্না দিল তৌনবা চঙই হায়না খল্লি” হায়না ট্রম্পনা হায়খিবনি। ট্রম্পকী ৱারোল অদুনা পাকিস্টানি এক্সপার্টশিংগী মরক্তা কন্না ৱা তানবা থোকহনখি।

# EMPLOYMENT NEWS

## PATNA DISTRICT COURT RECRUITMENT 2016 – APPLY ONLINE FOR 3575 CLERK, STENOGRAPHER & OTHER POSTS

**Patna District Court Recruitment 2016 – Apply Online for 3575 Clerk, Stenographer & Other Posts:** Office of the Convenor, Coordination Committee, District & Sessions Judge, Patna has issued notification for the recruitment of 3575 Clerk, Stenographer, Deposition Writer cum-Typist-cum Clerk vacancies in the Subordinate Courts of Bihar on temporary basis. Eligible candidates can apply online from 09-02-2016 to 01-03-2016 till 23:59 hrs. Other details like age limit, educational qualification, selection process, application fee & how to apply are given below…

**Patna District Court Vacancy Details:**

**Total No of Posts: 3575**

**Name of the Posts:**

1. Clerk: 1681 Posts
2. Stenographer: 1057
3. Deposition Writer cum-Typist-cum Clerk: 837 Posts

**Age Limit:** Candidates age limit should be in between 18 to 37 years for UR (Male) candidates, 18 to 40 years for UR, EBC (Female), BC & EBC (Male) candidates, 18 to 42 years for SC & ST (Male & Female) candidates as on 01-01-2016. Age relaxations are applicable up to 10 years for PH candidates.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Graduation i.e. (B.A/ B.Sc/ B.Com) or equivalent degree from recognized University & have knowledge of Stenography in English/ Hindi.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on test & interview.

**Examination Fee:** Candidates should have to pay Rs. 500/- (Rs. 250/- for SC, ST category as well as physically disabled candidates) only through Bank Challan in SBI, Patna Account No. 35411934162 of Convenor, Co-ordination Committee.

**How to Apply:** Eligible candidates can apply online through the website “www.ecourts.gov.in/patna” from 09-02-2016 to 01-03-2016 till 23:59 hrs.

**Important Dates:**

**Starting Date to Apply Online: 09-02-2016.**

**Last Date to Apply Online: 01-03-2016 till 23:59 hrs.**

## ARUNACHAL PRADESH GOVT JOBS 2016 – 250 APPRENTICE, JR ENGINEER & WORK ACCOUNTANT POSTS

**DHTE Arunachal Pradesh Jobs 2016 – 245 Apprentice Posts:** Government of Arunachal Pradesh, Directorate of Higher & Technical Education (DHTE), Itanagar has released notification for the recruitment of 245 Apprentice vacancies in various disciplines. Eligible candidates may apply in the prescribed format on or before 10-03-2016. Other details like age limit, educational qualification, selection process, how to apply are given below…

**DHTE Arunachal Pradesh Vacancy Details:**

**Total No. of Posts: 245**

**Name of the Posts: Apprentice**

1. Electrical Engg: 51 Posts
2. Electronics Engg: 41 Posts
3. Computer Science Engg: 06 Posts
4. Civil Engg: 122 Posts
5. Mech/ Auto Engg: 21 Posts
6. Travel & Tourism Management: 04 Posts

**Educational Qualification:** Candidates should possess Engineering Degree/ Diploma.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on academic merit.

**Application Fee:** Candidates should pay Rs. 200/- for APST & Rs. 250/- for General by Demand Draft in favour of Managing Director, APH & WCL.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in the prescribed format on or before 10-03-2016.

**Last Date for submission of Application: 10-03-2016.**

**APHWCL Jobs 2016 – Jr Engineer & Work Accountant Posts:** Arunachal Police Housing & Welfare corporation Ltd (APH & WCL) has advertised a notification for the recruitment of Junior Engineer & Work Accountant vacancies on contract basis. Eligible candidates may apply in the prescribed format on or before 08-03-2016 by 4:00 P.M. Other information like age limit, educational qualification, selection process and how to apply are given below…

**APHWCL Vacancy Details:**

**Total No. of Posts: 05**

**Name of the Posts:**

1. Junior Engineer: 04 Posts
2. Work Accountant: 01 Post

**Age Limit:** Candidates age should be between 18 to 28 years as on 01-01-2016. Age relaxation is applicable for APST candidates.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Diploma in Civil Engineering from Government recognized Institute/ University for post 1, Degree in any discipline with Mathematics as one of the subject in Class XII or Degree in Commerce from recognized Institute/ University & basic knowledge in computer application for post 2.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on Written test & viva/ oral interview for qualified candidates in written test.

**Application Fee:** Candidates should pay Rs. 200/- for APST & Rs. 250/- for General by Demand Draft in favour of Managing Director, APH & WCL.

**How to Apply:** Eligible candidates may send their application in the prescribed format along with Demand Draft attached to it, three color passport size photographs and self attested documents to APH & WCL, PHQ, Itanagar on or before 08-03-2016 by 4:00 P.M. Mention the post applied for on the top of the envelope.

**Last Date for submission of Application: 08-03-2016 by 4:00 P.M.**